# রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং অরাপ্পা ঈথৎতা পুদনবা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে



ধাকা, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : রোহিঙ্গা রেফ্যুজি লিশীং কয়া অরাপ্পা ঈথৎ অমদা পুবগী থৌরাং লেপ্পনবা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে।

ওফিসল খরনা রেফ্যুজি ৪০০গী অহানবা গ্রুপ শগোলশেন নুমিৎতা ঈথৎ অদুদা পুরবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবগা ইরোইননা রাইটস গ্রুপশিংনা গভর্ণমেন্টকী থৌরাংদু লেপ্প বা হায়খিবনি। বস তরাদা তোংলিবা রেফ্যুজিশিং পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা কোক্স বজারগী উখিয়াদগী পুখি। মখোয় চিতাগোং হিথাংফম ফাওবা পুরবা মতুংদা ভসন চার কৌবা ঈশিং থুমগনবা বে ওফ বেঙ্গলগী ঈথৎ অমদা পুগদবনি। ঈথৎ অদু চহী ২০ লোমগী মমাঙদা সমুদ্রগী ঈশিংনা থুমজিল্লগা লৈরম্বনি।

বাংলাদেশনা হায়রি মদুদি ঈথৎ অদুদা চৎপদা য়ারবা রেফ্যুজি পুথোকখিবা অসিনা মতম চুপ্পদা কা হেন্না চিন্দুনা লৈরিবা মখোয়গী কেম্পশিং অদু কোমথোকহনগনি। পনবা য়াবদি কেম্পশিং অদুদা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারদগী চেল্লকপা মুসলিম মাইনোরিটি কাঙলুপ অমগী মীওইশিং ওইরিবা রোহিঙ্গা মিলিয়ন অমা হেন্না লৈরিবনি। ওথোরিটিশিংনা মখা তানা রেফ্যুজিশিং ভাসন চারদা থন্নবা হোৎনরিবদু খুদক্তা লেপকদবনি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী সাউথ এসিয়া কেম্পেইনর সাদ হম্মাদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

য়ু এসতা বেজ তৌবা এদভোকেসি গ্রুপ রেফ্যুজিজ ইন টরনেসনলনা ফোঙদোকখিবদা থৌরাং অদু মিৎয়েং শান্দে অমসুং মীওইবগী মীনুংশি চেন্দে। হান্নগী কেম্পশিংদগী ঈথৎ অমদা রেফ্যুজি শিং হোন্দোকপা হায়বসি মখোয়বু কিহনবা অমসুং মখোয়গী অপান্বগী মায়োক্তা ওইবা য়াবনা থৌরাং অদু খুদক্তা লেপকদবনি হায়না ফোর্টিফাই রাইটস গ্রুপনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রেফ্যুজিশিংনা ঈথৎ অদুদা চৎলিবদু নম্ফুদা নত্তে মশাগী অনীংবা অপান্বগী মতুংইন্নি হায়না বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী রেফ্যুজিশিংগী চার্জ পুরিবা মোহম্মদ শামসুদ দৌজা কৌবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুংইন্না, রেফ্যুজিশিং অদু হরাওনা মফম অদুদা চৎলিবনি। কনামত্তদা নম হাবা লৈতে। হিংনবগী পান্থৈশিং অমসুং নুংঙাইনা লৈনবগী মচাক মথুমশিং য়াওনা গভর্ণমেন্টনা খুদোংথিবা থৌদোকশিং মায়োক্লবা ঙম্নবগী থৌরাং খুদিংমক লৌখৎলে। রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা থাবা য়াবগী ফীভম লৈতবদগী মখোয়বু কোক্স বজারগী কেম্পশিংদগী ঈথৎ অদুদা পুথোক্লিবনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# দোহা টোককী প্রোসিজরেল রুলশিং য়ানখ্রে

কাবুল, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী নিগোসিএটরশিংনা কটরগী কেপিটেল দোহাদা পিছ টোক মখা চথনবগী প্রোসিজরেল রুলশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লে হায়না নাকল অনীমক্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ূমশকৈশা নুমিৎতা অফঘান মশেলগী নিগোসিএসন টিম অনীগী মরক্তা প্লিনরি মীটিং অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা জোইন্ট ৱার্কিং কম্মিটি অমদা এজেন্দাগী দ্রাফ্ট টোপিকশিং শেম শাবগী শরুক শিন্নখি হায়না টোলো ন্যুজনা দোহাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী নিগোসিএসন টিমগী মেম্বর অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি টিম অনীগী মরক্তা চথরিবা নিগোসিএসননা অফঘানশিংগী মরক্তা তুং কোইগদবা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবা পাম্নে অমসুং মখোয় অফঘানিষ্টান্দা অসিগুম্বা মরাল তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা লেপ্পুনা হোৎনগনি হায়বগী ফিরেপ লৈ হায়বসি উৎলি। খোঙথাং অদুবু কনফার্ম তৌরদুনা টালিবানগী স্পোক্সমেন মেহম্মদ নয়ীমনা হায়খি মদুদি নাকল অনীনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং অপূনবা কম্মিটি অমদা ৱারী শানবগী এজেন্দাগী টোপিকশিং শেম শাবগী থবক শিন্নখি।

# চাইনাগী চাং’ই-৫ প্রোবনা থাগী লৈমাইদগী সেম্পল খোম্বা লোইশিনখ্রে




বৈজিং, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : চাইনাগী চাং’ই-৫ প্রোবনা থাগী লৈমাইদগী সেম্পল খোম্বগী থবক মপূং ফানা লোইশিনখ্রে অমসুং স্পেসক্রাফ্টতুগী মনুংদা সেম্পলশিংসু সিল্ড তৌশিনখ্রে হায়না চাইনাগী নেসনল স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (সী এন এস এ) না শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বর ২৪দা লোঞ্চ তৌখিবা স্পেসক্রাফ্ট অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মালেমদা ওনশিন্নবা লৈরিবা থাগী শরুক্কী মনাক্তা লৈবা ওসিন ওফ ষ্টোর্মস হায়নসু খঙনবা ওসিন্স প্রোসেলারমগী মোন্স রুমকরগী অৱাংদা থুংখি। এক্সট্রাটেরষ্ট্রিএল বোদি অমদগী চাইনাগী অহানবা সেম্পলশিং লৌরুনবগী পান্দমগা লোয়ননা স্পেসক্রাফ্ট অদু থাগৎখিবনি।

স্পেসক্রাফ্ট অদুনা থাগী লৈমাইদা পুং ১৯ রোম লেপ্তুনা মথৌ তৌখি। সেম্পল খোম্বগী থবক বৈজিংগী মতমদা য়ূমশকৈশাগী নুমিদাং পুং ১০দা লোইশিনখি অমসুং সেম্পলশিং অদু হান্না থৌরাং তৌখিবগুম প্রোব অদুগী এসেন্দর মনুংদা য়াওবা কন্টেনর অমদা নিংথিনা থমখি।

প্রোব অদুনা থারকপা দেটা শীজিন্নদুনা রিছার্চরশিংনা লেব অমদা সেমপ্লিংগী প্রসিজর সিম্যুলেসন তৌখি। মদুদা য়ূম্ফম ওইরগা থাগী লৈমাইদা স্পেসক্রাফ্ট অদু ওপরেট তৌখি। থাগী লৈমাইগী মথক থংবা কুয়োম ফাওবা ঙম্বা লুনার রাদর অমসুং লেন্দরদা য়াওবা অতৈ পেলোদশিংনা হান্না থৌরাং তৌখিবগুম্না সাইন্টিফিক এক্সপ্লোরেসন পাঙথোকখি অমসুং সেম্পল লৌবদা খুদোংচানবগী ইনফোর্মেসন পীখি। প্রোব অদুনা থাগী লৈমাইদা সেলসিয়স দিগ্রী ১০০ হেনবগী মৈশা খাংখি।

থাগী লৈমাইদগী সেম্পলশিং খোম্বদা প্রোব অদুনা মেথদ অনী শীজিন্নখি। মেথদ অমনা দ্রিলশিং শীজিন্নদুনা সবসর্ফেস সেম্পলশিং লৌবনি অদুগা অমনা রোবোটিক পান্থোম অমনা লৈমাইদগী সেম্পলশিং পায়রগা লৌখৎপনি। স্পেসক্রাফ্ট অদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মখল মখা কয়াগী সেম্পলশিং খোমখি।

মালেম (অর্থ) দা হল্লকপদা মপানগী ইনভাইরনমেন্টকী ইথিল চংবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা থাগী সেম্পলশিং অদু খোঙচৎ অদুগী মনুংদা ভেক্যুম অমদা লৈহন্নবা স্পেসক্রাফ্ট অদুগী মনুংদা নিংথিনা সিল্ড তৌদুনা থমখি।

চাইনাগী চাং’ই-৫ প্রোব অদু লেন্দং কেমেরা, পেনোরমা কেমেরা, লুনার রিগোলিথ পেনিট্রেটিং রাদর অমসুং লুনার মিনরেলোজিকেল স্পোক্ট্রোমিটর য়াওনা পেলোদ কয়া য়াওরি। সেম্পল লৌনবগী দ্রিলিং হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লুনার রিগোলিথ পেনিট্রেটিং রাদরনা সেম্পলিং এরিয়া অদুগী সবসর্ফেস ষ্ট্রকচর এনালাইজ তৌখি। মদুদগী সেমপ্লিংগী দেটা রিফরেন্স ফংখি হায়রি।

# ‘দেনিএল হাৎখিবা ইন্টরনেসনল টেররিজমগা মরী লৈনৈ’

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : কুমজা ২০০২দা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট দেনিএল পর্ল ফারগা হাৎখিবা অদু ইন্টরনেসনল টেররিজমগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংগী মনুং চল্লি হায়না সিন্দ হায় কোর্ট (এস ঐচ সী) গী সিনিয়র কাউন্সেল অমনা পাকিস্তানগী সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু কাউন্সেল ফারুক ঐচ নাইকনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা জজ অহুমগী ওইবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবনি। আপিল অদু সিন্দ গভর্ণমেন্ট, পর্লগী অহল-লমনশিং অমসুং মরু ওইবা একুজ ওইরিবা ওমর শৈইখনা ফাইল তৌখিবনি। মশাগী চহী ৩৮ শুরবা জর্নেলিষ্ট অদুবু ফাবগা লোয়ননা হাৎখিবগীদমক্তা শৈইখপু কনভিক্ট তৌখিবা ওর্দর এস ঐচ সীনা এপ্রিল ২দা চৎনহনখিদবদুবু আপিলশিং অদুনা শিংনখি। ক্লেম অদু প্রুভ তৌনবা হোৎনরদুনা নাইকনা শৈইখকী ৱারোল পনখি। কুমজা ২০০২গী মার্চ ২দা ট্রাইএল কোর্টতা ইভিদেন্স রেকোর্দ তৌরিঙৈদা শৈইখনা মহাক ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা য়ু এসতা থাবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

আপিলশিং অদুগী লাইবক লেপ্পবগী মতাংদা ইস্যু মঙা লৈ হায়না কাউন্সেল অসিনা য়েংখি। তঙাইফদনা খন্নদবা য়াদ্রবা ইস্যুশিং অদুদি শৈইখনা পর্ল ফানবা লৌতুনখিবা অমসুং ফারবা মতুংদা থাদোকমন দিমান্দ তৌখিব্রা, পর্ল হাৎখিবদু থাদোকমল তানবা য়ানবা মহাকপু ফানবা লৌতুনবগী মতুংইন্না অমসুং থাদোকমলগী দিমান্দ অদু ২০০২গী জন্যুৱারী ২৭তা মহাক্কী নুপীদা ঈমেলগী খূথাংদা খঙহনখিব্রা অমসুং মহাক্না পাউখুম পীখিদবা মতমদা কুমজা ২০০২গী জন্যুৱারী ৩০দা য়োৎহ্লিং চল্লবা জর্নেলিষ্ট অদুগী পিকচরশিংগা লোয়ননা মহাক হাৎলগনি হায়বা অকিবা পীবা ৱারোল য়াওবা অতোপ্পা ঈমেল অমসু থাখিব্রা হায়বসিনি।

ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী সাউথ এসিয়া ব্যুরো চীফ ওইনা থবক তৌখিবা পর্ল কুমজা ২০০২গী জন্যুৱারীদা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা হকচিনবা থৌওংশিংগী মরমদা রিছার্স তৌরিঙৈদা কিদনেপ তৌখি। মহাক্কী কেস অদুগা মরী লৈননা মতুং তারকপদা শৈইখপু ফাখি অমসুং ট্রাইএল কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখি।

# পি এফ আইগা মরী লৈনবা ষ্টেট মাপনদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : মনি লোন্দরিংগী মতাংদা থিজিনবগী শরুক অমা ওইনা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি) না শগোলশেন নুমিৎতা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) গা মরী লৈনবা ষ্টেট মাপন্দা লৈবা মফম ২৬তা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

পি এফ আইগী ফন্দিংগী মতাংদা চথরকখিবা মনি লোন্দরিংগী প্রোবকা মরী লৈননা চেয়রমেন ও এম এ সলাম অমসুং কেরেলা ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট নসারুদ্দিন ইলামারোম য়াওনা পি এফ আইগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী য়ূমশিং অমসুং ওফিসশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি।

থিজিন হুমজিনবদুগা মরী লৈনবা ঈ দিগী ছোর্স অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক টামিল নাদু, কেরেলা, কর্ণাটাকা, রাজস্থান, বিহার, উত্তর প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ৱেষ্ট বেঙ্গল, দেল্লিদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি। পি এফ আই অমসুং মসিগা মরী লৈনবশিংগী মায়োক্তা থিজিনবা ওইনা মনি লোন্দরিং কেস কয়াগা মরী লৈননা ইভিদেন্স খোম্লনবগীদমক্তা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা য়ামদ্রবদা ষ্টেটশিং অসিগী মফম ২৬তা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি হায়না ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কেরেলাদা ঈ দিনা পি এফ আইগী নেসনল চেয়রমেন সলামগী মালাপুরমদা লৈবা য়ূম অমসুং মান্নবা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা পি এফ আইগী সেক্রেটরি নসারুদ্দিন ইলামারেমগী য়ূম-কৈশিংদা থি-হুম্বগী থবকশিং পাঙথোকখি। ঈ দিগী ওফিসলশিংগী অতোপ্পা টিম অমনা থিরুভানন্তপুরমদা লৈবা পি এফ আইগী অতোপ্পা মকোক থোংবা লিদর অমা ওইরিবা অশ্রফ মৌলবিগী ময়ূমদা থিবা হুম্বগী থবক হৌখি।

সাউথ ইষ্ট দেল্লিগী সহীন বাঘ অমসুং পি এফ আইগী ওফিসল প্রেমিসিজ লোয়ননা বিহারগী পুর্নিয়া অমসুং দার্ভাঙ্গা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা পি এফ আইগী ওফিসশিংদসু থিবা হুম্বগী থবক চথুরি। লৈবাক অসিদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট (সী এ এ) গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোকহনখি হায়বা চার্জশিং অমসুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা নোর্থ ইষ্ট দেল্লিদা থোকখিবা রাইওটশিংদা লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা পি এফ আইগী শেল থুমগী ওইবা লিখুনশিংগী মতাংদা ফাইনান্সিএল প্রোব এজেন্সি অসিনা থিজিন হুমজিল্লিবনি।

# মাওইষ্টশিংগা সিক্যুরিটি ফোর্সকা নোংমৈ কাপ্পখ্রে

রাঞ্চি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : ঝরখণ্ডগী পলামু ফোরেষ্ট এরিয়াদা শগোলশেন নুমিৎতা মাওইষ্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবগা লোয়ননা লালহৌবা গ্রুপ অসিগী খূৎশু-খূৎলায় কয়া ফাখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সী আর পি এফনা ফোঙদোকখিবদা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বা চথবদা খূৎ থোক্লখিবা মফমদুদগী এ কে ৪৭ রাইফল অমা, মেগজিন অহুম, এক্সপ্লোসিভস খরা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, এম এম ৯গী পিষ্টোল অমা, কন্ট্রি মেদ নোংমৈ অমা, ৱায়রলেস সেটশিং অমদি অতৈ খূৎলায় কয়া রিকোভর তৌখি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা সালান্দির ফোরেষ্টতা সী আর পি এফকী ১৩৪শুবা বটালিয়নগী ক্রুপশিং অমসুং ঝরখণ্ড পুলিসকী অপূনবা টিম অমগা মাওইষ্ট ১০ হেনবগা খূৎ থোক্লখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী ওপরেসন অমা পাঙথোক্লিঙৈ নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকখিবনি। মাওইষ্ট লালহৌ অসি ঝরখণ্ড অমসুং অতৈ ষ্টেট মাপন্দা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অমনি। চহী খরগী মমাঙদা পিপলস ৱার গ্রুপ অমসুং মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট সেন্টরনা পুল্লগা সী পি আই মাওইষ্ট শেমখিবগা লোয়ননা মাওইষ্ট লালহৌ হৌখি।

# চাইনানা দাম শাবদা অরুনাচল অমসুং অসামদা চৈথেং ফংহল্লোইদবনি : পেমা খন্দু

ইটানগর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : চাইনাগী মনুং চন্না লৈরিবা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক থংবা শরুক্তা দাম শাবনা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসামদা চৈথেং পীরক্লোই হায়না চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা থাজবা পীরকপা পামই হায়না অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক খুদিংমক্তা মালেমগী ওইবা ঈশিংগী পোলিসি লৈ অমসুং করিগুম্বা চাইনানা ব্রহ্মাপুত্র তুরেলদা দাম অমা শারকপা তারবদি, ৱাফম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রস (এম ঈ এ) না য়েংশিনগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইটানগরগী টিমপুদা লৈবা দিরেক্টরেট ওফ ইন্দিজেনস এফেয়রস (দি এন এ) দা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা খন্দুনা হায়খি, চাইনানা দাম অদু মখোয়গী লমদা শাবা ওইরবসু চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী ষ্টেট (অরুনাচল প্রদেশ) নৎত্রগা অসামদা ঈচাওগী ফীভমশিং থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীগদবনি। চাইনিজ গভর্ণমেন্ট মমাঙদা তৌখিবা অসিগুম্বা থবক কয়ানা থোকহনখিবা প্রোব্লেমশিং ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনসু খঙবীগদবনি।

# য়ু এন অমসুং ইথিওপিয়ানা লান্নংলবা টিগ্রেগীদমক্তা এইদ পেক্ট য়ানখ্রে

অদিস অবাবা, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : ইথিওপিয়াগী অৱাং থংবা লৈফম টিগ্রেগী অৱা-অনা নংলবশিংগীদমক্তা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুশিলহনবা য়াহনবগী ৱাফম য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লৈবাক অসিগা য়ুনাইটেদ নেসন্সকগী মরক্তা য়ানখ্রে।

লমদম অদুদা থা অমরোম চুপ্পা শোক্লরকখিবা লানদা কন্বেটেন্ট অমসুং মীচম লিশীং কয়া শিখ্রবনি। ফেদরেল ক্রুপশিংনা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কা লান্থেংনরকখি অমসুং মখোয়না রিজনেল কেপিটেল মেকেলে পায়শিনখ্রে। য়ু এন ওফিসলশিংনা লাউথোরকখিবা পেক্ট অদুনা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা টিগ্রেগী মফমশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং পুশিনবা য়াহল্লগনি।

কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা ইথিওপিয়ন রেফ্যুজি ৪৫,০০০ হেন্না সুদানদা লাঞ্জেন্নখি। টিগ্রেদা মীওই কয়া ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি অমসুং মদুনা লমদম অদুগী অৱা অনাশিং হেনগৎহনখি। নবেম্বর ৪দা নাকল অনীগী লান হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফাওবা লমদম অদুগী মীওই ৬০০,০০০ চিঞ্জাক্কী মপান তাংখি।

ফোরেন ৱার্কর চা কয়া লমদম অদুদগী চেন্থোক্লখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা এইদ ৱার্করশিং অশোই অঙাম য়াওদনা চঙবা য়াহন্নবা এইদ এজেন্সিশিংনা আপিল তৌখি। কনফ্লিক্ট অদুনা খুদোংথিবা কয়া নংহল্লে হায়না পল্লদুনা হ্যুমেনিটরিয়ন অমসুং দিপ্লোমেটিক ছোর্স খরনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থাদা টিগ্রেদা লৈবা ইরিট্রিয়ন রেফ্যুজিশিংগী কেম্প অমদা ফোরেন এইদ এজেন্সী অনীগী ইথিওপিয়ন ইমপ্লোয়ী ৪ শিখি। কনানা মখোয়বু হাৎলিবনো হায়বা শেংনা খঙখিদে অমসুং ইথিওপিয়াগী গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

মীওৎ মীনৈ অমসুং শুপ্পমগী থৌওংশিংদগী নাম্থোক্লবা চেল্লকখিবা টিগ্রেদা লৈরিবা ইরিট্রিয়ন রেফ্যুজি ৯৬,০০০গী চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈরক্ত্রে। রিজনেল কেপিটেল মেকেলেদা মেদিকশিংদা পেনকিলরশিং, গ্লোব অমসুং বোদিবেগশিং মতিক চানা লৈত্রে হায়না ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোসনা ফোঙদোকখি।

য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেসন এজেন্সী ও সী ঐচ এনা ফোঙদোকখিবদা হ্যুমেনিটরিয়নশিং টিগ্রে রিজনগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা অয়েৎ অপন পীদনা চঙবা য়াহল্লগনি। ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন রেদৱান হুশেইননা এগ্রিমেন্ট অদু কনফার্ম তৌখি অদুবু মখা তাবা অকূপ্পশিংদি পনখিদে।

# লৌমী অনী লৈখিদবগী শেলগী মতেং পীরগনি

চান্দিগর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : অনৌবা এগ্রিকলচরেল লোশিংগী মায়োক্তা হৌজিক চথরিবা প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াখিবদা পঞ্জাবকী লৌমী অনী লৈখিদবদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা শগোলশেন নুমিৎতা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবা লৌমীশিং অদুগী ইমুংশিংনা লুপা লাখ ৫/৫গী শেলগী তেংবাঙ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মন্স দিষ্ট্রিক্ট, বাসোনা ভিলেজদগী গুরজন্ট সিংহ দেল্লিদা ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা শিখি। মোগা দিষ্ট্রিক্ট ভিন্দর খুর্দ ভিলেজদগী মশাগী চহী ৮০ শুরবা গুরবচন সিংহনা মোগাদা প্রোটেষ্ট তৌরিঙৈদা হার্ট এটেক তৌদুনা শিখি।

# লৌমীশিংগী থাজবা মাঙহনবগীদমক অকালি পেট্রোন বাদলনা পদ্মা এৱার্দ হন্দোকখ্রে

চান্দিগর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : সেন্টরগী ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংবু শৌগৎপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী থাজবা মাঙহনবগী থৌওংদা য়ানীংদবা উৎলদুনা শিরোমনি অকালি দল (এস এ দি) গী পেট্রোন পরকাশ সিংহ বাদলনা শগোলশেন নুমিৎতা মহাক্কী পদ্মা ভিভুশন এৱার্দ হন্দোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দদা ইবা লেটর অমদা মশাগী চহী ৯১ শুরবা বাদলনা হায়খি, ফার্ম এক্ট অহুমগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা ঈংনা-চিক্লা অমসুং দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চথরিবা খোঙজং অসিদা গভর্ণমেন্টনা করিমত্তা থৌশাদবা অমসুং য়েংফম থোকপা মীৎয়েংনা য়েংবীদবগী থৌওংদা পেন্দবা উৎলদুনা এৱার্দ অদু হন্দোক্লিবনি।

লৈবাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী সিভিলিয়ন এৱার্দ অদু অকালি পেট্রোন অসিনা কুমজা ২০১৫দা ফংখিবনি। মহাক্না লেটর অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওর্দিনান্সশিংদু পুথোরকখিবদা লেজিসলেসনশিং অসিগী মতাংদা লৌমীশিংদা লৈরিবা অকিবা অমসুং চিংনবশিং মখোয়না পেঞ্জগদবা মওংদা য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীখি।

গভর্ণমেন্টনা হায়রিবা ৱাফমসিদা থাজবা থন্নদুনা ঐহাক্না লৌমীশিংদা মদুবু থাজনবা আপিল তৌখি। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা হায়খিবা ৱা ঙাক্তবদা থম্মোয় শোকখি।

ঐহাক্কী শাংলবা পোলিটিকেল করিয়রদা মসিনা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমসুং অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোকনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ঐহাক্কী পূক্নিং ৱাখলদা ফাওরিবা অৱাবা অসি ৱাহৈনা ফোঙদোকপা ঙমদে। ঐহাক করিগী লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা অসুক য়াম্না থম্মোয় পান্দবগী থৌওং উৎলক্লিবনো অমসুং করিগী লৌমীশিংগী তৌবীমল খঙদ্রিবনো হায়না ফাওবা খল্লক্লে।

লেটর ইবা মতমদা ঐহাক লৌমীশিংনা চাদা ৭০ ওইবা লৈবাক অমগী মীয়ামগী মরাইবক লেপ্পা ঙম্বা প্রসিদেন্ট অমদা পান্দম কয়া থল্লি হায়বসি খঙই। চহী ৭০ হেন্না লৌমীশিং অসিনা মশাগী ওইজবা অমত্তা থিদনা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না নোল্লুকপগা লোয়ননা পোত্থোক চাথোক কয়া পুথোক্তুনা লৈবাক অসিগী থৌগল তৌরকখি হায়না পঞ্জাবকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**
**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**
Imphal, the 2nd December, 2020

No. 9/254/2019 -SW: In pursuant to the letter No. CSSS-1305 (2) 3/2020-SW dated 27th October, 2020 of Administrative Department of Social Welfare, it is hereby notified for general information that all the Private De-Addiction Centres in the State will be regulated and get registered under the Department of Social Welfare, Government of Manipur. These centres shall conform to the prescribed Minimum Standards of Services for the Programme Under the Scheme for Prevention of Alcoholism and Substance (Drugs) Abuse, 2009 formulated by the Ministry of Social Justice & Empowerment as per cabinet decision taken on 15-10-2020, until further order.

Registration form can be obtained from the Directorate of the Social Welfare, Government of Manipur from 7th December, 2020 onward during office hour on payment of Rs.100/- (Rupees one hundred) only. The said guidelines may be download from **socialjustice.nic.in** or www.socialwelfare.mn.gov.in

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director, Social Welfare
Manipur

HL-P/8169/3&4

**MANIPUR STATE RURAL LIVELIHOODS MISSION (MSRLM)**
**Department of RD & PR, Government of Manipur**
**Loklaobung, Moirangkhom, Imphal-795001**
**www.manipurrim.gov.in**

**Imphal, 3rd December, 2020**

**ꯀꯣꯔꯤꯖꯦꯟꯗꯝ / CORRIGENDUM**

Subject : Advertisement dated 18th November, 2020 inviting applications for 211 posts of Manipur State Rural Livelihoods Mission purely on contractual basis.

With referece to the subject mentioned above, it is hereby notified for general information that the following information may be inserted replacing the earlier notification.

**A candidate can now apply for additional 2 (two) more posts in view of public interest. Age relaxation will be applied as per the State Govt norms for OBC: 3 years, SC/ ST- 5 years. Last date of submission of form is extended till 11th of December, 2020.**

The other terms and conditions contained in the principal notice shall remain intact.

Sd/- **Yumnam Robita**
State Mission Director
Manipur State Rural Livelihoods Mission

HL-B/6581/4

# প্রাইম মিনিষ্টরনা মেগাৱাট লিশীং ৩০গী রিন্যুএবল ইনর্জি পার্ক শঙ্গারনি

গান্ধীনগর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৫দা গুজরাটকী কুটচতা মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা রিন্যুএবল সোলর অমসুং ৱিন্দ ইনর্জি পার্ক অমদি অতোপ্পা দিসেলিনেসন প্লান্ট অমা শঙ্গারগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ভিজয় রুপানিনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মরু ওইবা থবক অনী হৌদোক্লবগীদমক্তা গুজরাটতা দিসেম্বর ১৫দা লাক্লগনি। অমনা সোলর অমসুং ৱিন্দ ইনর্জীগী মেগাৱাট ৩০,০০০গী কেপাসিটি ওইবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা রিন্যুএবল পার্ক শঙ্গাবনি। অনীশুবা প্রোগ্রাম অদুনা মীয়ামদা অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহনবগীদমক্তা মান্দভিদা লিংখৎখিবা দিসেলিনেসন প্লান্ট শঙ্গাবনি হায়রি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN
MEDICAL & ENGINEERING last FOUNDATION COURSE
Last FOUNDATIONCOURSE 2020
CLASS X(BOSEM)
CLASSX(CBSE)
BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 1.30-5.30 P.M
CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)
Last date of admission:6th,Dec.
CLASS STARTED FROM :7th,Dec.
CLASS XI (COHSEM & CBSE)
Limited Seats
FIRSt COME FIRST SERVE
REVISION COURSE 2020
CLASSX(CBSE)
CLASS X(BOSEM)
CLASS XII (Sc. cbse)
CLASS XII (Sc.COHSEM)
CLASS XII Arts CBSE & COHSEM
CLASS XII COMMERSE CBSE & COHSEM
OFFICE HOUR : 10 A.M. TO 3.30 P.M
Last date of admission: 16th DEC. CLASS STARTED: 17th DEC'20
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.
ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105
HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)